# কেন্দ্রগী আরদিএন্দ পিআর মিনিষ্টরনা এমজিএনআরইজিএসতা পেল্লবসু পিএমজিএসৱাইগী অশাউবা উৎখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জুন ৯ঃ* ইন্দিয়া সরকারগী রুরেল দিভলপমেন্ট, দ্রিঙ্কিং ৱাটর অমসুং সেনিটেসনগী মিনিষ্টর জয়রাম রামেশ নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবগা লোয়ননা খুঙ্গংগী লমদা তোঙান তোঙানবা ইন্দিয়া সরকারগী স্কিমশিংগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। এম জি এন আর ই জি এসকী থবক্তা অপেনবা ফোঙদোক্লবসু পি এম জি এস ৱাইগী থবক্তদি পেন্দবা উৎখ্রে। হৌখিবা চহি তরানিথোইসিগী মনুংদা মণিপুরগী ওইনা পুন্না মীওই ২৫০গী মথক্তা লৈবা হেভিটেসন ৬৫৪ গী লম্বী শেম্নবা পান্দম থম্বগী মনুংদা শুপ্ন গী ২৩৭ খক্তমক লোয়খিবসিগী প্রোগ্রেস য়াম্না তপ্পী। লেমহৌরিবা হেভিটেসন ৪১৭ অসিসু লাক্কদৌরিবা চহি অহুমসিগী মনুংদা শুবা লোয়শিনগদবনি হায়না খঙহল্লম্লে।

ঙসি নুংথিল পুং ১২:৫০ তাবা মতমদা মিনিষ্টরনা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা হেক থুংলবগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মৈত্রম অমদি লাইরেঞ্জমদা পায়খৎলিবা পি এম জি এস ৱাইগী থবকশিং য়েংশিনখি।

রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্টর ফ্রান্সিস ঙাজোকপা, পি ঐচ ই দি মিনিষ্টর আই হেমোচন্দ্র, অমদি এম এল এ শিং অমদি হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চেয়ারমেন ডাঃ চালতোন লিয়ান অমো য়াওনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদ দিভলপমেন্ট এজেন্সিগী ফুল টাইম সি ই ও লৈতবগী মরম ওফিসিয়েলশিংদা হংখি। লাইরেঞ্জমদা পায়খৎপা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শেমখিবা লম্বীগী ফিভম মিনিষ্টরনা হকথেংননা য়েংশিনখি।

লম্বী অদুগী অকায়বা ফিভম অদু উবদা মিনিষ্টরনা শেমজিন্দবগী মরম হংখি। মদুদা ওফিসিয়েলশিংনা থবক অদুদা মেন্তিন্সেকী প্রোভিজন য়াওদে হায়বদা অঙকপা উৎখি। লোয়ননা দি পি আর অসি কনানা শেম্মী হায়না হংবা ৱাহংদা ওফিসিয়েলশিংনা আউট সোর্চিং তৌই হায়রুবদা মিনিষ্টরনা ষ্টেটকী ওইনা সিভিল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট লৈতব্রা হায়না হংখি।

তুংদা মিনিষ্টরনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঙাঙ্খ লৱায়দা পায়খৎলিবা এসিলরেটেদ রুরেল ৱাটর সপ্লাই স্কিমদা চক্লুনা য়েংশিনখি। অদুদা স্কিম অসিগী ঈশিংগী সোর্স অসি কি মি ৪.৪ লাপ্পা মফমদগী ঈশিং পুরকপনি হায়বা অঙকপা উৎখি। লোয়ননা এন আর ই জি এসকী থবক্তা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংগী থবকশু হাপচিন্নবা খঙহনখি। লোয়ননা গ্রাম পঞ্চায়েট খুদিংমক্তা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিংগী থবক পায়খৎনবসু খঙহনখি।

তুংদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী এস টি চলৌফাইদা মহাকপু ওকপগী থৌরম অমদা মীয়ামদা ৱা ঙাংখি। মতুং তারকপদা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা মিনিষ্টর জয়রাম রামেসনা হায়, মণিপুর অসি মহাত্মা গান্ধী নেসনেল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি স্কিমগী থবক্তা য়াম্না মাঙজিল থানা চংশিনবা ঙম্লে। স্কিম অসিগী মখাদা নুমিৎ ১০০ নি থবক পীগদবনি হায়বা লৈরবসু ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংনা নুমিৎ ৪৫ দগী হেন্না থবক পীবা ঙমদে। অদুবু মণিপুরদদি নুমিৎ ৬১ থবক পীরি।

অমরোমদা লৈবাক অসিগী ওইনা নুমিৎ ১০০ নি হেন্না থবক ফংবা য়ুমথোংগী চাং অসি চাদা নিপানখক ওইরবসু মণিপুরদদি চাদা কুন্থ্রানিথোই ওইরি। হিরম অসিদা মণিপুরনা খ্বাইদগী মাঙজিল থানা চংশিল্লি। মদুগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু হৌখিবা চহিদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টনা প্রাইম মিনিষ্টরগী এৱার্দ ফংখিবনি। মসি মপুং ওইনা কম্যুনিটি পার্টিসিপেসন লৈবদগীনি। মণিপুরগী ওইনা স্কিম অসিগীদমক লুপা কোটি ৬৫০ শিজিন্নখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক মণিপুরগী ওইনা মীৎয়েং চংবগী তঙাইফন্দবা লৈরিবা অসি প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সড়ক য়োজনা (পি এম জি এস ৱাই) অসিনি। স্কিম অসিগী থবক্কী প্রোগ্রাম য়াম্না তপ্লি। পুন্না মীশিং ২৫০ গী মথক্তা লৈবা হেবিটেসন ৬৫৪ লম্বী শেমদুনা শম্নহনগদবদা শুপ্নতগী ২৩৭ খক্তমক শম্নরি। লেমহৌরিবা হেবিটেসনশিং অসি লাক্লিবা চহি অহুম অসিগী মনুংদা শম্নহনগদবনি।

হৌজিক মণিপুর সরকারনা তৌগদবসি থবক্কী খোঙজেল য়াঙশিনহন্দুনা মপুং ফানা থবক লোইশিনবদুনি। হৌখিবা চহি ১২ দা তৌগদবা থবকশিংগী ৱাৎহৌরিবা শরুকশিং চহি অহুমদা লোইশিনগদবনি। মসি শিংনবা অমগা লোয়ননা চংশিন্দ্রবদি ওইথোক্লোই। হৌজিক চৎলিবা মওং অসিদা চৎলবদি চহি ১০ শুরবসু থবক লোইরোই। মসিগী থবক অসি খোঙজেল য়াংশিনহন্নবা চিফ মিনিষ্টরগা খন্নগনি।

থবকশিং অসি পায়খৎপদা টেক্নিকেল অমদি শেল থুমগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনগনি। লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট রুরেল রোদ দিভলপমেন্ট এজেন্সিগী ওইবা ফুল টাইম সি ই ও অমা হাপ্পগী তঙাইফন্দবা লৈ হায়খি।

মণিপুরগী ওইনা অপুনবা গ্রাম পঞ্চায়ট ১৬০ গী মনুংদা অনিখক্তমক নির্মল রাজ গ্রাম পঞ্চায়ট লাওথোক্লুনা ইমুং খুদিংমক তোইলেট লৈবা ওইবা ঙমখ্রে। লেমহৌরিবা গ্রাম পঞ্চায়ট ১৫৮ অসিসু চহি ৫ গী মনুংদা নির্মল রাজ গ্রাম পঞ্চাটে ওইহন্দুনা লমহাং তুহাঙদা খোঙ হামদবা মপুং ফাবা টৌইলেট লৈবা গ্রাম পঞ্চায়েটে ওইনবা হোৎনবা দরকার লৈ।

মণিপুরগীদমক মীৎয়েং থম্বা দরকার ওইরিবা অতোপ্পা হিরম অমনা নুপীশিং সেল্ফ হেল্প গ্রুপকা নকশিন্নহনবসিনি। মসিনা নুপীশিংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্দুনা মশানা মরোমদোম লেপচনবা ঙমগনি। মণিপুরনা নুপী সেল্ফ হেল্প গ্রুপতা মাঙজিল থান্নবা হোৎনগদবনি।

মণিপুরগী লো অমসুং ওর্দরদা ফিভম ফগৎলকপা অসিনা থবকশিং খুমাঙ চাওশিনগনি। চাওখৎ খোঙথাং অমদি শান্তি হায়বসি শেল ময়েক অমগী মমায় অনিনি চাওখৎ খোঙজেল য়াংলবদা শান্তি লাক্কনি। অমরোমদা শান্তি লৈরবতদা চাওখৎ খোঙজেল য়াংশিনবা ঙমগনি হায়খি।